# পাকিস্থান গভর্নমেন্টনা রিলিজিয়স গ্রুপ টি এল পিগী এক্টিভিষ্ট ৩৫০ থাদোকখ্রে : ইন্টরিয়র মিনিষ্টর



ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :
পাকিস্থান গভর্নমেন্টনা লৈবাক অদুগী রিলিজিয়স গ্রুপ টেহরিক-ঈ-লবাইক পাকিস্থান (টি এল পি) বু অথিংবা থল্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা এক্টিভিষ্ট ৩৫০ থাদোকখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফ্রেন্স এনভোয় তান্থোক্কদবনি হায়না খোঙজং চঙশিল্লুবগীদমক গ্রুপ অসিগী লুচিংবা য়াওনা মীওই কয়া পুলিসনা ফাজিল্লগা থমখিবনি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোত্তুনা গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। পাকিস্থানগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি লাহোরদা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চাওনা অকায়বা পীরকপদগী গ্রুপ অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমদি গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নরবা মতুং এক্টিভিষ্ট ৩৫০ থাদোকখিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর শৈখ রসিদ অহমদনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অথেংবদা নাকল অনীগী মরক্তা অরোইবা রাউন্দগী ৱারী অমুক হন্না শান্নগনি। লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়েংলগা এক্টিভিষ্ট খরা গভর্নমেন্টনা থাদোকখিবনি। অদুম ওইনমক মখোয়গী লুচিংবা রিজবিবু হৌজিকমক্কী ওইনা থাদোকপগী ৱাফম লৈত্রি। ঙরাং মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মথৌ তৌখিবা পুলিস পর্সনেল অনী শিখিবগী থৌদোক অদু লাইবক থিবনি। মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা মতমদা ভাইলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং চথদনবা অপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা গ্রুপ অসিগী সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি পির ইজাজনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা এপ্রিল থাদগী হৌরগা হৌজিকফাওবদা লৈঙাক্লা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মখোয়গী লুচিংবা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা পুলিসনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথখি। পুলিসনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংশিংদা গ্রুপ অসিগী মেম্বর ৭ শিখ্রে। ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা ৱারী অসিদা মখোয়গী লুচিংবা থাদোকপগী ৱাফম য়াদ্রবদি মখা তানা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

# ক্লাইমেট চেঞ্জনা উন শৌদোকপগী চাং অমদি লাম্মে চাকপগী থৌদোক য়াম্না হেনগৎহলক্লি : সাইন্টিষ্ট

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :
মালেমদা অঙৈং অশাগী খল কায়রকপগা লোয়ননা শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা উন মপৈশিং শৌদোকপগী চাং হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলকপগা লোয়ননা লাম্মে চাকপগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলক্লি হায়না থিজিনলোয়শিংনা ফোঙদোরকখ্রে।



ইন্তরনেস্নেল সাইন্টিষ্ট গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা কুমজা ২০০০ দগী হৌরগা ২০১৯ ফাওবদা নাসাগী তেরা সেটিলাইটনা লৌখিবা ময়েক কা হেন্না শেংবা ফোটোশিংগী মতুং ইন্না উন শৌদোকপগী চাং চহী চহীগী ওইনা হেনগৎলক্লি হায়বসি খঙবা ঙমখিবনি। মালেমদা লৈরিবা অচৌ অচৌবা উন মপৈ ২,২০,০০০ গী অরুম্বশিং হন্থরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগী অচৌবা মরম অমসু ওইরক্লি। সাইন্টিষ্টশিং অসিনা মখা তানা থিজিনবদগী গ্রিন লেন্দ অমসুং অন্টার্টিকাতা লৈরিবা উন মপৈশিং অদু চহী খুদিংগী গিগাটন ২৬৭ হন্থরক্লি। উন মপৈ গিগাটন অমনা ন্যু য়োর্কসিটিগী সেন্ট্রেল পার্ক ফুন্নজিনবা ঙমগনি অমদি উন মপৈ অদুগী অৱাংবনা মিটর ৩৪১ রোম ওইগনি।

কুমজা ২০০০ দগী ২০০৪ ফাওবদা উন মপৈশিংনা চহীগী ওইনা গিগাটন ২২৭ হন্থদুনা লাক্লি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৫ গী মতুংদদি চহীগী ওইনা গিগাটন ২৯৮ গী চাংদা হন্থদুনা লাক্লি। উন মপৈশিং শৌদোরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা সমুদ্রগী ঈমায় হেনগৎহল্লি। চহীগী ওইনা উন মপৈ শৌদোরকপদগী সমুদ্রগী ঈমায় অসি ০.৭৪ মিলিমিটরগী চাংদা হেনগৎহল্লি। য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা অলষ্টর য়ুনিভর্সিটিগী সাইন্টিষ্ট রোবার্ট এম সী নাভনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইনি। মালেমগী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা হোৎনদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা ফিরেপ অমা লৌদুনা থবক তৌহৌদ্রবদি মীওইবা খুন্নাইগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাকপা য়াই।

অমরোমদা মতম পুম্বদা শংদুনতা লৈবা এমাজোন রেন ফোরেষ্টতা খঙহৌদনা লাম্মে চাকপগী থৌদোক থোকখিবা অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা তরায়না লৌফম থোক্তে। তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা হান্নগা মান্নদবা মওংদা হ দক চহী অসিদা উমং কয়া মৈনা চাক্তুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবগী থৌদোক মীয়াম্না থেংনরবা ঙাক্তনি। লাম্মে চাকপনা মরম ওইরগা উ পাম্বী অমদি লম কয়া অরেম্বদা মাঙহনবতা নত্তনা খোঙ্গুল মুৎখিবা য়ানা লৈরবা শা মখল কয়াদসু অকনবা চৈথেং পীরি। অপীকপা শা মখল খরদি লাম্মে চাকপনা মরম ওইরগা মুৎহনখ্রে হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোঙদোকপা ফাওবা লৈখ্রবনি। ফিভম অসিদা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎহৌদ্রবদি মহৌশানা থোকহনবা অকিবা থৌওং কয়ানা মালেমদা থৱায় পানবা অমত্তা লৈবা ঙম্লক্তবগী ফিভম অমদা লাকপসু য়াই হায়রি।

# য়ুক্রেন ঙমখৈ মনাক্তা দিপ্লোয় তৌরিবা রুসিয়ন ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌরগনি

মোস্কো, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) : রুসিয়ানা য়ুক্রেন ঙমখৈ মনাক্তা মশীং য়াম্লবা ক্রুপ কয়া দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লকখিবা অদু ইরাই নুমিত্তগী লৌথোকপা হৌরগনি হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মোস্কো অমসুং য়ুক্রেন অনীগী মরক্তা হৌখিবা থা খরা অসিদা চাওনা উংখৎনবা থোক্তুনা লাক্লি। মদুগী মতুং রুসিয়ানা মশীং য়াম্লবা ক্রুপ কয়া য়ুক্রেন ঙমখৈ মনাক নক্লা দিপ্লোয় তৌবা হৌরকখিবনি। রুসিয়াগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ুক্রেননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইন্তরনেস্নেল কম্মুনিটিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা হায়জখি। য়ু এস য়াওনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংনা মোস্কোনা য়ুক্রেন ঙমখৈ মনাক নক্লা ক্রুপ কয়া রুসিয়ানা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লিবা অদু লৌথোক্লবা কন্না প্রেসর তৌখি। রুসিয়ানা ক্রুপ ১,০০,০০০ হেন্না ঙমখৈগী শরুক্তা দিপ্লোয় তৌরকখিবা অদুনা য়ুক্রেনগী মায়কৈদা তংদু লৈতাদবা কয়া পোকহনখি।

অমরোমদা রুসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা ব্লেক সিগী শরুকশিংদা রুসিয়ন নেভিশিংগী ওইবা ড্রিল অমা পাঙথোক্লি। মদুদা জহাজ ৬০ য়াওরি। জহাজ ৬০ অদুদা পুন্না মীওই ১০,০০০ রোম মথৌ তৌরি অমদি জহাজশিং অদুদা এয়র ক্রাফট ২০০ অমসুং মিলিটরি ভেহিকল ১,২০০ রোমসু য়াওরি। মমাং থাদগী হৌরগা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ড্রিল অসি নভেম্বর থা ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

রুসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী হৌরগা য়াম্না কন্না উংখৎনদুনা লাকখিবনি। নাকল অনী উংখৎনরিঙৈ মরক্তা য়ু এস এয়র ক্রাফট কেরিয়র অনী ব্লেক সিদা থৌজিন্নবা ফিরেপ লৌখি। অদুমওইনমক রুসিয়ানা ব্লেক সিগী শরুক খরা থিংজিন্নবা খোঙথাং লৌখৎলকখি। মদুবু য়ু এসকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা নেটোনসু মোস্কোগী খোঙথাং অদু হন্দোক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মুক্লবগী মহুত্তা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# অফঘান মীয়ামগী অৱাবা খঙশিন্নদবগুম লৈরি



দুবাই, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :
মালেমগী লৈবাকশিংনা অথুবা মতমদা অফঘানিষ্টানদা হ্যুমেনিটরিয়ন এইদ পীদ্রবদি অফঘানদা লৈরিবা চহী নৌরিবা অঙাং কয়া য়াওনা মীওই কয়া চাবা ফংদদুনা শিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেনিয়র ওফিসল অমনা ৱার্নিং তৌরকখিবগা লোয়ননা ফাজিন্দুনা থল্লিবা লৈবাক অসিগী ফন্দশিং থাদোক্তুনা মতেং পাংবগী মতম ওইরে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামগী এগজিক্যুটিব দাইরেক্টর দেবিদ বিসলিনা ফোঙদোকখিবদা, অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫০ হেন্না হৌজিক হৌজিক চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌখ্রে। হৌখিবা থা অনীরোম অসি খক্তদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ১৪ হেন্না চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরকখিবনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি অফঘানিষ্টান লৈবাক অমুক হন্না হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদবা লৈবাক অমা ওইহৌবতা নত্তনা ইকনমিগী ওইনসু মতম পুম্বদা শোথদুনা লৈহৌরগনি হায়না দুবাইদা পাউমীশিংগী মমাংদা দেবিদনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী অঙাং কয়াগী মরাইবক মালেমগী মীয়ামগী মখুত্তা লৈরে হায়রি।

# তংদু লৈতানা লৈনবা হোৎনবদা চাইনানা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি

বৈজিং, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :
টাইৱানগী মতাংদা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিঙৈ মরক অসিদা চাইনানা মালেমদা তংদু লৈতাবা অমদি ঈৎং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিংনা ফোঙদোরক্লি।

টাইৱান অমসুং চাইনা অনীগী মরক্তা চহী ৪০ রোম উংখৎনদুনা লাকখিবা অসিদা হন্দক্কী চহী অসিনা খ্বাইদগী হেন্না উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা হেল্লি হায়না টাইৱাননা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি প্রসিদেন্টনা ঝিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঈৎং তপ্পা মালেম অমা ওইহনবা হায়বসি চাইনাগী অমত্তা ঙাইরবা পান দমনি। ঙমখৈগী ৱাহৌগা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিদি অতোপ্পা লৈবাকশিংনা মশাগী ওইজবা থিবদগী থোরকপনি। টাইৱান ঈথৎ অসি হান্নদগী হৌনা চাইনাগী শরুক অমা ওইদুনা লাক্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। টাইৱাননা মরোমদোম লেপচবদা চাইনানা অয়েৎপা পীবা লৈতে। অদুবু হায়রিবা শরুক অসি চাইনাগীনি হায়বসিদি মীয়াম্না য়াফম থোকই হায়রি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়া অমদি জপানগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদসু উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসি য়াম্না থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমনি। ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

# বংলাদেশ হিন্দুশিংদা এটেক চথখিবগী মতাংদা কনফেস তৌখ্রে

ধাকা, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা বংলাদেশতা লৈরিবা মাইনোরিটি হিন্দুশিংদা এটেক চথখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা বংলাদেশ পুলিসনা চিংনবদগী ফাজিন্দুনা লাকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ৭ না থৌদোক অদু থোকহনবদা মখোয়গী খুৎ য়াওই হায়না মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা কনফেস তৌজখ্রে। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা চিংনবদগী ফাখিবা শাইকট মান্দল অমসুং মহাক্কী খোঙলোই রাবিউল ইস্লামনা মখোয়গী মথক্তা শিরিবা মরাল মশানা য়াজখিবনি। শইকটনা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ১৭ তা মহাক্কী ফেসবুক একাউন্টতা কাংলূপ নাইবা ৱাফমশিং থাগৎলুরবা মতুং নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হৌরকখিবনি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা রাবিউলনা লাইশঙশিংদা এটেক চথদুনা হুরান চিন্থিগী থবক ফাওবা চথখি হায়নসু য়াজখি। পনবা য়াবদি নুমিৎ অদুদা পুন্না হিন্দুশিংগী য়ুম ৭০ রোম অমাঙ অতা থোকখিবনি।

# সুদান মিলিটরিগী থৌওং খুদোংথিনিংঙাইনি

খারটোম, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :
সুদানদা হান্না মতম শাংনা পৱার পায়দুনা লাকখিবা প্রসিদেন্ট ওমর অল-বাশিরবু হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা নমফুন্দা মফমদগী লৌথোকখ্রবা লৈবাক অদুদা মিলিটরি অমদি মীয়ামগী ওইবা অপুনবা লৈঙাক অমা শেমদুনা লাকখিবনি। অদুবু খঙহৌদনা মিলিটরিনা অমুক হন্না কু তৌনবা হোৎনরকখিবা অদু সপ্পোর্ট তৌ হায়বা য়াদবগীদমক মীওই কয়া দিটেন তৌদুনা থমখ্রে হায়না ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখ্রে।

অমরোমদা মিলিটরিনা লৈবাক অদুবু মখোয়গী খুবামনুংদা থম্নবা হোৎনরিবা থৌওং অদু লাইবক থিবনি অমদি মীয়ামগী ওইনা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না, সুদানদা লৈরিবা সিভিলিয়ান ফিগরশিং অমদি মিলিটরি লুচিংবশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোরক্লি। নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মফম অয়াম্বদা ইন্টরনেট সর্ভিস ফংহনখিদ্রে। সুদানগী কোনুং খারটোম তান্না চৎকদবা মরুওইবা লম্বীশিং থিংজিন্দুনা থমখ্রে। মসিদা নত্তনা হৌজিক লৈরিবা ট্রাঞ্জিসনেল গভর্নমেন্টকী সিভিলিয়ান লিদর কয়াসু দিটেন তৌদুনা থমখ্রে।

সুদানিজ প্রোফেসনেল এসোসিএসননসু মিলিটরিনা অমুক হন্না কু তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওংশিং অসিদা কিরোইদবনি অমদি মতেং পীরোইদবনি। মীয়ামগী রাইট মাঙহন্দবা হায়বসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মখা পোল্লি হায়রি।

# সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন টিমনা রেবেল ২৬০ হেন্না হাৎখি

রিয়াধ, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :
য়েমেনগী মারিব সিটিদা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্স অমদি রেবেলশিংগা হৌখিবা নুমিৎ হুম্নি রোম অসিদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা রেবেল ২৬০ হেন্না হাৎখি হায়না কোলিসন টিম অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেল অমদি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা রিকগনাইজ তৌবা য়েমেন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাংদগী খুৎ থোক্লদুনা লাক্লি। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা সাউদিনা মতেং অমুক পাংশিন্দুনা য়েমেনদগী হৌথি রেবেলশিং তকথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা হৌথি রেবেলশিংনা লৈবাক অদুগী কোনুং সানা খুদুম চনখ্রবা মতুং য়েমেন মনুংদা সিভিল ৱার থোকপা হৌরকখিবনি। সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন টিমনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা মশিং য়াম্লবা রেবেলশিং হাৎপা ঙমখিবনি।

# জর্মন নুপী ১ চহী ১০ গী ফাদোক পীখ্রে

দোরি, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :
আই এস আই এস গ্রুপতা য়াওখ্রবী জর্মন নুপী অমা লৈবাক অদুগী পুলিসনা ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্লা চথখিবা ক্রাইমশিং কুপ্পা নৈনরবা মতুং লৈবাক অদুগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা কোর্ট অমনা চহী ১০ গী জেল ফাদোক পীখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি নুপী অসিনা আই এস আই এস জোইন তৌদ্রিঙৈদা মহাক্কী ময়ুমদা থবক শুবী চহী নৌরিবী অঙাং অমা হাৎখিবগী কেস অমসু মহাক্কী মথক্তা চথরিবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF ART AND CULTURE

All are invited to the

## CELEBRATION OF NATIONAL UNITY WEEK

as part of the

Azadi ka Amrit Mahotsav

Celebrating 75 Years of India's Independence

Expression of Unity through theatrical Performances by the benefeciaries of the

CHIEF MINISTERGI ARTISTESSINGI TENGBANG

from 26th October to 21st November 2021
at the Maharaja Chandrakirti Auditorium Palace Compound, Imphal

PLAY SCHEDULE

| DATE | NAME OF THEATRE GROUP | NAME OF PLAY |
|---|---|---|
| 26th October 2021 | Manipuri Theatre Academy | Happy Marriage (Nungsi Leipun) |
| 27th October 2021 | The Juvenile Theatre | Mara Taraba Nung (Entrenced Monolith) |
| 28th October 2021 | Lairenkabi Youth Dramatic Union (LYDU) | Sharung Khul |
| 29th October 2021 | Khenjonglang | Shiribasi Kanano |
| 30th October 2021 | Ougree Theatre Repertory | Punsigi Machusing |
| 31st October 2021 | The North Eastern Theatre Association | Cancer |
| 2nd November 2021 | The Royal Theatrical Club | Lairaba Kanano |
| 3rd November 2021 | Kalakshetra Manipur | Ima Nangi Natambakta |
| 5th November 2021 | Moppet Decoration and Cultural Centre | Hanuba Hanubi Pan Thaba |
| 7th November 2021 | Banien Repertory Theatre | Gokarna |
| 8th November 2021 | Langmeidong Dramatic Union | Mongphamgi Nungbising |
| 9th November 2021 | Manipur Dramatic Union (MDU) | Sanagi Leirang (Golden Furnace) |

| DATE | NAME OF THEATRE GROUP | NAME OF PLAY |
|---|---|---|
| 10th November 2021 | Bashikhong Dramatic Association | Khangpokshangdo |
| 11th November 2021 | Theatre Mirror | Bhagawad Ajjukam |
| 12th November 2021 | Rup Mahal Theatre | Mangaal |
| 13th November 2021 | The Deal Repertory Theatre | Ei Lai ni |
| 14th November 2021 | Khoriphaba Artistes Association | Kanasu Eigi Ming Khangde |
| 15th November 2021 | Kakching Dramatic Union | Chandragantha |
| 17th November 2021 | People's Arts & Dramatic Association | Chakpa Sangdalemba |
| 18th November 2021 | The Society Theatre | Satlammi Singel Ama |
| 19th November 2021 | Kanglei Mime Theatre Repertory | Heeroi Amagi Eeshei |
| 20th November 2021 | Leimayol Arts Centre | Panthou Puremba |
| 21st November 2021 | Rang Tarang Mandal | Mamal ( The Price) |

HL-B/7246/26,27

* Post show talks will be held by Critic Forum, Manipur at the Conference Hall of the Directorate of Arts and Culture Complex, Palace Compund, Imphal